ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯹꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জন্যুৱারী ২৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৯৬শুবা মশীং

## চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবা

### হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীৎশিং নাশিংনা লৈবগী মতৌ উদে

মীওইবনা নুমীৎ খূদিংগী চারি-থল্লিবা অচা-অথকশিং অসিগা হকশেলগা অদুক্কী মতিক মরী লৈনৈ। কনাগুম্বা মীওই অমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক পীজরবদি মীওই অদু চীঞ্জাক্তুনা মরম ওইরগা ময়াই কারক্কনি। মতৌ অসুম্না মীওইবা খুদিংমক্না নুমিৎ খুদিংগী চারিবা চীঞ্জাকশিং অসি অমত্তা লেম্না মাঙদে। চীঞ্জাক্তা য়াওবা মচলশিং লৌশিনখ্রবা তুংদা ইনর্জিদা ওন্থোরকই। মচল শুদবা নৎত্রগা ফত্ত-হাওদিশিং চাশিল থকচিল্লবদি হকচাংগী কয়াৎ কয়া শোক্লিংঙাই ওইরকই অমসুং লায়না-তিলনা কয়া পোকহল্লকই। মীওইবগী হকচাংদা অনা অয়েক য়াওরকপা মতমদা চাদা ৭০ রোমদি চীঞ্জাক্কা য়াম্না মরী লৈনৈ হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্করি। মরম অদুনা ঐখোয় মীওইবনা চা-থল্লিবা পোৎশিং অসিদা পোৎয়ান তৌব্রা হায়না মতম মতমগী য়েংশিনবগী তঙায়ফদবা লৈ। মণিপুরদি হকশেলগী লমদা অদুক হাক্লা হকচিন্না লৌবা মফম ওইদে। অফং অফংবা শুবা, নোংমগী পুক থল্লগা লোয়রে খন্দুনা ফৈ/ফত্তে হায়বা থিদনা অফং-অফংবা চাবা মীগী মশিং থীঙমদনা লৈ। পুন্নমক অসিগী মথক্তা মীওইবগী হোংলল্লিবা পুন্সিরোলগী ইহুল অসিদি মণিপুরদসু অদুমক য়ৌরকই। মরুওইনা ইম্ফাল সহরদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা ফল্লগা চাবা ওইনা তৌরে। থবক তৌবসু পাঙ্গল থোক্না তৌদ্রে। মতম অমদদি নুপা ওইবশিংনা শুমাং-থেল্লোং, য়েনখা-লুখা, লৈরক-কোম্থোং ফাওবা শুমচিৎ পায়দুনা ৱাই শিৎনরম্মী। মসিগীসু মথক্তা মখূৎতা য়োৎপাক অমা পায়রগা ইঙ্খোল কোয়ননবা পূং খরদি থবক শুদুনা হুমাং তাহল্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি সিটি অসিগী মনুংদা লৈবা মীওই ১০০গী মনুংদা ৮০গী য়ূমদি শুমাং-থেল্লোং হায়বদু লৈখিদ্রে। অরৈবা কাঙবুনা টাইল নৎত্রগা মসিগী মান্নবা মতমগা চুন্নরবা মচাক মথুমশিংনা শিৎ নালহল্লগা থম্নরে। পুন্নমক অসিগী মথক্তা ইঙ্খোল কোয়বা য়াবা ফৌরামুক পাকপা অহাংবা মচেৎ অমা ফাওবা থিবা খঙদ্রে। মরম অদুনা শুমাং-থেল্লোং ৱাইরম শিৎপা, ইঙ্খোল শুবনচিংবগী থবকশিং তৌনদ্রবনিনা ৱার্কিং চৎপা হায়দুনা ফেসন অমগুম অয়ুক্তা মীওই কয়ামরুম শঙ্গু শঙ্গু থোক্নরকই। মসিসু মীওই খরা খক্কী ৱানি। অতৈ অয়াম্বদি ফমুংদা, সোফাদা, মাঙ্গোলদা ফল্লগা পাউচে পাবা, টেলিভিজন য়েংবা, কম্প্যুটর থাগৎলগা মাগী মাগী মথৌ তৌনবরোমদা মথৌ চিন্নখ্রে। মরম অসিনা হকচাংদগী হুমাং মরিক অমত্তা লৌথোকপা ঙল্লক্ত্রবনিনা তোঙান তোঙানবা মখলগী লায়না কয়া চেল্লকই। হৌজিক্তি লৈকায় অমদা দাইবেটিসকী অনাবা লৈবা মীগী মশিং য়ামখৎলকই। থম্মোয়গী লায়না, ব্লদ প্রেসর, অথ্রাইটিসনচিংবা লৌনদবা লায়না কয়ামরুম নাদবা ইমুং য়াওরক্তে। মীওইবগী পুন্সিরোল হোঙলকপদগী থোরকপা লায়না কয়া অসি মালেমগী ওইনসু অচৌবা ইস্যু অমা ওইরকপদগী চাউখৎলবা লৈবাকশিংদদি পুন্সি মহিং শেমদোক্লনবা, মশক খঙবা চীঞ্জাক চাদুনা হকচাং তিক-তিক লাউনা, লায়না তিলনা চেন্দনা হিংননবা মায় ওনশিন্নখ্রে। অদুবু মণিপুরদদি কদাই, গভর্নমেন্টনসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী চাং ৱাৎলি, ললোনবশিংনসু মীওইবগী হকচাংদা শোক্কনি শোক্লোই য়েংদনা শেন্দোং খক্তমক খল্লগা লল্লোন পোৎ কয়ামরুম থাদোরকই। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুরী মচাশিংদি কয়াদা পুকচেল তিংনা, ৱাখল অমত্তা খন্থদনা লৈথোক্লি। হকচাং ফবনা অথোয়বা লননি হায়জরবসু হকচাং ফনা থম্নবা থৌশিল থৌরাংদা তৌগদবা থবকশিংদি ঙসি ফাওবা মণিপুর গভর্নমেন্টনা পাঙথোকপা উদে।

হরাও কুম্হৈ লাকপা মতমদা খক কৈথেলদা য়োল্লিবা অচা-অথকশিং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা মচল য়াওব্রা হায়না য়েংশিনবা খক্লা চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবশিং থিংবা ঙম্লোই। ষ্টেট অসিদা ললোনবা কয়ানা চান-থক্নবা পোৎলমদা পোৎয়ান তৌরম্বদগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা ফাগৎপগী থৌদোক কয়া থেংনখ্রে। চাউখৎলবা ষ্টেটশিংদদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা চাং নাইনা চীঞ্জাক পোৎয়ান তৌহন্দনবা য়েংশিনবগী চৎনবী লৈরি। অদুবু ষ্টেট অসিদদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা কৈথেলদা ফংলিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অসিদা পোৎয়ান তৌব্রা হায়বদু তাঙ্কক নাইনা য়েংশিনবা উদে। মতমগী অওনবা মতুংইন্না মপান্দগী চান-থক্নবগী পোৎলম কয়াদি লেপ্তুনা লমদম অসিদা পুশিল্লক্লি। মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অসিদা পোৎয়ান য়াওব্রা হায়বদু মতম চানা য়েংশিনহৌনবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মীশিং নাশিংনা লৈবগী মতৌ উদে। হেল্থ দিপার্টমেন্টনা চীঞ্জাক্তা পোৎয়ান তৌবশিং থিংননবা অকনবা থবক পায়খৎলক্নবদি মীয়াম্না শোয়দনমক্কী থাগৎনরক্কনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?
২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?
৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?
৪) "শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল' হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো?
৫) "হিজন হিরাউ" হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থল্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## য়োংচাক খুন্তাকলান

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

তেনৱা য়াম্না পামজনা হৌরকই। তেনৱানা মরোল থোকই। মী লাকপদা (য়ূমদা) তেনৱানা ইমুং-মনুংগী মীশিংদা মী লাকই ফিদা থাউ হায়বা ঙম্মী হায়বা তাখি। অদুনা ঐনা তেনৱা অমা পামখি। ঐ তেনৱা অমত্তা হেক লোয়বা ফংখিদে। কনাগুম্বনা নাওরিনা কাপ্তুনা তেনৱা ফাদুনা পোন মনুংদা য়োকই। তেনৱাগী ফৈরা শাবীদুনা য়োকই। উহৈ ৱাহৈ পীজরগা মচিন অচৌবদুনা চীক-চীক্তুনা চাবদু য়েংবা য়াম নুংঙাইখি। শয়ি মরূবু ঐখোয়না উ থাংজিং হায়না কৌই। উ থাংজিং অসিনা তেনৱানা তূপ্পা উবদা ঐনা য়াম্না নুংঙাইজখি। অদুবু মরোল থোকপা তেনৱাদি অমুক্তসু উখিদে ঐনা। খরা লৈরগা হায়নরকই, "তা মনাওতোনগী তেনৱা অদু তেনৱা নত্তে উরেংনি। উরেংদি মীরোল তম্বীবা য়াদে। মী মরোল থোক্তে।" অমুক হন্না খম থেংনা ঐ নীংবা কায়খি। তেনৱা কৌবী চেক্লানা মীরোল লোনবা য়াম্না তানীংবদু ফংলরোইকো হায়না থম্মোয় কায়খি। ঐনা তা মনাওতোনগী ময়ূমদা চঙবদা তেনৱানা নোংমদি মোরাদা ফম্মু ফম্মুকা হায়রক্কনি খল্লম্বদু গঞ্জা থক্কে তৌরগা কংক্র কায়থোকখিবগুম ঐগী ইফমদা থোকখি। নোংমা ইমান্নবা বিকেন্না হায়খি, "ভায়, মণিপুরদা তেনৱা পাক্লা ফংদে, য়োংচাক মপান শাবা মতমদা ৱাংনা ৱাংনা তে-তে খোংদুনা পাইরিবা উচেকশিং অসিসু উরেং ঙাক্তনি, তেনৱা অমত্তা নত্তে।" ঐনদি খনখি ৱাংলবা য়োংচাক পান্থীগী মথক্তা লান্না লান্না পাইরিবা তে-তে খোংলিবা অশংবা উচেক্কী শঙ্গুশিং অসিবু তেনৱা নত্তে করম্না হায়রিবনো?



ফরে তেনৱানা তেনৱানি, তেনৱা নীংশিংবদা য়াওরক্লিবা য়োংচাক পান্থীগী ৱারী অসি য়াম্না মরু ওইদবা য়ারোই। ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদা ঐগী য়ূমদা য়োংচাক পান্থী কুন্থ্রানিপাল মশা-মউ য়াম্না ফনা হৌরম্মী। য়োংচাক্কী চরোংশিংনা শকহেনবী নুজা কনাগী নাপ্পদা য়ান্থরিবা মতাগী লুহোংবা চৎলমদাইদা শীবা সনাগী লৈতেংদু মাল্লম্মী। ওন্থোক্লা ফজৈ। য়েংবগী পেনবা নাইদে। য়োংচাকশিং অদু চাবীনবা মীনা ৱাৎলম্মী। য়ূমথোঙ খুদিং চাউর-চাউরবা য়োংচাক পান্থী হনুবশিং হৌরম্মী। হোয় মতম অদুগী শেলগা হৌজিক মতমগী শেলগা পানরুবদি য়াবা নত্তে, মতমদুদা য়োংচাক চরোং অমদা লুপা তরাদা লৈবীনবা মী লৈতে। ঐনা ঙরাং কৈথেলদগী য়োংচাক লৈরকপা মতমদা লুপা চনীগী য়োংচাক অহুমখক্তমক তৌরকই। খজিক্তং মমল হুন্নবদা কৈথেলগী য়োংচাক য়োনবী ইমা অদুনা ঐবু লীকইগা খোৎলিগা, নতু পীজনীংলম্লোইকা হায়রিপোৎনি মীয়াম মমাঙদা। নতু হায়বা ৱাহৈ অসি ফজদবা ৱাহৈনি হায়না ঐনা পাক্লা শীজিন্নজদবা ৱাহৈনি। ইমা অদুনা ঙরাংদি ঐঙোন্দা কয়া হেক লায়না পল্লকখ্রে। ঐ ঙাঙনা-ঙাঙনা য়োংচাক চরোংদু গাড়ী মচাগী কোম্ফু মনুংদা হাপ্লগা থৌরক্লে।

য়োংচাক মমলগী খল্লুবদা ঐ মথা শাদবা ঙমদে। মসি লুরবা লৈবাক্কী সমস্যা (ৱারু) অমা ওইরক্লি। কোক থাদদ্রবা, নৈনদবা য়াদ্রবা মতাং অমা য়ৌরক্লে। য়োংচাক্কী রাইট মাঙলবা ফুরুপ অমা হায়বদু ওইরগদ্রা হায়না মীপাই থবাইজদবা ঙমজদে।

নিংথমথাগী মতম অসিদা য়োংচাক শিংজু চানীং-চানীংনা চাবা ফংদ্রবকো? য়োংচাক ইরোম্বা চাবা ফংদ্রবকো! নুমিৎ চূপ্পা অমা এন আর ঈ জি এসকী জোব কার্দ শুরুরগা য়োংচাক চরোং অমা লৈদুনা চানবা খূৎশুমল ফংবা ঙমদে। হাপ্তা অমা ফি ৱানা শারগা য়োংচাক চরোং অমা লৈদুনা ইরোম্বা চানবা শেল ফংবা ঙমদ্রে। য়োংচাক চরোং অমদা লুপা চামঙা-চাতরুক পীরবা মতমনি। ৱা লোইরে।

য়োংচাকপু ইরমদম অসিদা কনবিনবা অমুক্তা হোৎনজ হন্নীংই। মীরমগী য়োংচাক, মীরমগী ফাবৌনা শেম্বা ঙারি, মীরমগী আলু, মীরমগী থুম, মীরমগী মোরোক ময়াম্না মণিপুরদা এসেম্বল তৌরগা লোনবা ইরোম্বা অসে হাউবুদি হাউই হায়বু য়োংচাক অসিদংদি ইমা লৈবাকসিদগী ওইহনবা ঙমজরবদি চাউথোকচনা য়োৎথবা ঙমজগনি। য়োংচাকপুসু য়োকখৎপীবা, হিংহনবীবা ঙম্বীরবদি ইমা য়োংচাক্লা মমা নীংবা মচা অমা থোরক্লে হরাউজগনি। য়োংচাক্কী দিস্কসন মতিক চারে। মোবাইল টৱার মশীং হেনগৎলকপননি হায়নরম্মী, ঐদি মসিমদি মান্দ্রে মোবাইল টৱার সিগনেল মতিক চানা ফংবা তমুদা য়োংচাক হুপ্না পানবা পান্থী কয়া উরি। তীলনরা হায়রসু মীৎনা উবা তীল অমত্তা উদনা য়োংচাক মচা ফাওবা শিরি। অচৌবা য়োংচাক্তি লায়রদনা। মসি মীৎনা উদবা মরা পৎশিল্লক্লগা শিবা মানবা অমসু উখি। অঙকপনি। ঐনা খঙবা ঙম্বা নত্তে। য়োংচাকপু য়াম্নদি কঞ্জনীংই। ঐগী ইঙ্খোলগী অকোয়বদা হৌরম্বা য়োংচাক পান্থীশিং লোইনা উরক্ত্রবদা ঐনা ফাওরকই - ঐবু খুন্তাক লানশিরবা মফম অমদা ইতোমতা লেপ্লিবরা? ●

## ঙাইরগনা হিংবা, ঙাইদ্রগনা ...

### নবকুমার ওইনা

লোম্বা নাইবা পুন্সিদা ঙাইঙমদবগী ৱাখল অমা য়াওরি। ৱাখলবু লাই ওইনা লাৎপগী নাৎ অদুমা মুৎখ্রবনি হায়বা য়ারে। লাই মমিং ওইনদি লৈরিবা চাক চান্নফম, ৱাখল লৌশিং মান্নদবগী য়েৎনফম ওইনা চথুরিবনি, করিগুম্বদা মী হাৎনফম ওইরক্লি। হিংনবরা, হাৎননবরা খঙলক্তবা লাই খুনিং অমদা থৱায় মাঙনরি, মতম মাঙনরি। ঙাইহাক ঙাইরগা হিংবা পামদবা, চঙশিল্লগা থৱায় থাদোকপদি লম্বী ময়ায়দা ইতৎ তত্তনা উনরিবনি।

নোরোক্কী লমদুদগী করম্বা নোরোক অমদা অমুক কুমথবা য়াগদগে? কোঙ্গ্রেং অমত্তদা মুক্তা পুবা ঙম্নদ্রে, চাথোকপীবনা হাল্লে। থাগৎলগা তিকি পীজবগী ৱা অমদা মীয়ামসি পংহাদা হরাওরগা লমশি শিবনা নোংম-নোংমগী মশীং খঙদবমখৈ য়ামখৎলক্লিবা হায়বসিনা ৱাখল-পূক্লিংগী লাই লাৎলি হায়বদি য়াররোই। পোকঙমদনা পোকপা মীওইবগী মপোকনি হায়রগা ইচা-ইশু পোক্লগা তম্বীবা ঙমদনা লমখাংদা পিখম্নবা উরিবসি লাইরিক তম্বীবগী খুদম ওইবসু য়াফম থোক্তে। মীরোল তাদবা হায়বসি শাজৎ অমনি, মীওইবগী লোনচৎ নত্তে হায়নরিবনি। লোনচত্তু য়াওদনা লম্বীদা চৎপা হৈত্রিবা মচা-মশুশিং লম্বীদা থাদোক্লকপদা খুন্নাইগী ওইনা মশক থিহনবা ঙম্নরক্লবনি। মসিদবু নোরোক তাদে হায়গে হায়রিব্রা? লম্বী চৎপগী কাঙলোন্দু খঙহন্দ্রবদি লম্বীদা থোক্লকহল্লোইদবনি। খঙদবা মমা মপাশিংনা তম্বীদবদগী মচা মশুশিংনা খঙদবা ওইগদৌরিবনি।

চীংগী লমসিদা চীং লম্বীদগী নাম্থনরিবসি কয়াদি শুরে। রেকোর্দ তৌদ্রিবা করিগীনো, নাম্থনগদৌবা ৱাৎলি খনবগীরা? লম্বী ফজনা শেমদবগীনি হায়না লম্বীদা তায়নরগা ৱাম্থবী শান্নগে হায়রিব্রা? গাড়ীগী ব্রেক্লা ফাবা ঙমদ্রিবসি কোক্কী ব্রেক য়াওনদবদগী ওইগদৌরিবনি। কোক্তা ব্রেক পানগদৌবনি হায়বসি স্কুল-কোলেজদা তম্নদ্রিবা করিগী ওইগদৌরি। ষণ-গাড়ীদদি ব্রেক পানবা হৌনরকপা কুইদ্রি। ষণ তোক্লগা থাওগী গাড়ী ওইনা মহুৎ শিন্নরকখ্রে। য়াঙবা হেনবা, পোৎ য়াম্না পুবা ঙম্নরক্লে, মী শিবা মশীংদি খঙজিল্লক্তরে। চহী লিশীং অনীগী লৌশিং লৈবা শারগা লম্বী ফজনা শেম্লমদ্রিবনা করিগী? ঙরাং নহানতা লম্বী পাকথোক্লিবা, নাতোন শুমাং মানবা ফোর লেন মতেক মতেকসিদা হোৎচিন হোৎচিন্দুনা ৱায়নরক্লিবসিনা করিগী ওইগদৌরি। ওভর ব্রিজ শাদবগীনি অমুক হায়দৌরিব্রা? জেনেটিক ইভোল্যুসন শুদবগী ওইগদৌরিব্রা? মপান লমদগী গাড়ী মখল-মখল পুশিল্লকপসি লাল্লব্রা। থায়নগী ৱারীদা ঙাওজবগী হায়রবদি ষণ গাড়ী নৎত্রগা কাংপোৎ চিংবদুনবু ফগদৌরিব্রা? পোইরৈতোনগী মচা মশুশিংদগীদি ঔরঙ্গজেবকী মশুশিংনা খুমাঙ চাওশিনবদি অদুম উনরিবনি। উনা উনা খেৎঙাঙ ঙাঙনরগা লেল্লিবশিংনা লম্বীদা শিবগী চাংসু ৱাংলিবনি। লম্বীনা নত্তে, গাড়ীনা নত্তে, ৱাখল খন্নবগী লম্বী অমা হান্ননা য়াওবগী ওইগদৌরিবনি।

গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলদগী হৈ-শিংবদুদি মতৌ করম্না লমদমসিদা য়ৌরকখ্রিবনো? লম্বী অমদি লৈফম থোকই। গাড়ী য়োনবগী দুকানদি ফোংনা লৈ, গাড়ী থৌবা তম্বীবগী স্কুলদি মশীং কয়া য়ামদে, ইতম্বু তম্নদে। লৈঙাক্কী মীশিংনা খঙবা নত্তে, গাড়ী থৌবগী লাইসেন্স পীবনা লৈঙাক্লা পীরি। মসিদবু নোকপা য়ারোইদবগী মরম লৈরিব্রা? লম্বীদা শিরবা মতমদা কপ্পা হৈবনা লৈবাক নুংশিবনি হায়বদি লানগনি। মীয়াম হুপ্না লৈঙাক শেমদোকপা ঙম্বা তারকই। ইচা-ইশুশিং লম্বীদা শিবা য়াওরক্লিবসি লৈঙাক শেম্বা লানবদগীসু ওইবা য়ারিবনি। (এসেমব্লিদা ৱায়নবশিং উরুবদগী, মখোয়গী মচা-মশুশিং য়াওবদগী লম্বীদা ৱায়নরকপা ওইবসু য়ারি)। লম্বীদা য়াম্না থুবা শারিব্রা, য়াম্না চাউবা শারিব্রা, এস্কোর্ট য়াওনা খোংলগা চৎনরিবসি এসেমব্লিদা দেমোক্রেসি চৎনরবসু লম্বীদা মোনার্কিজম চৎনরি হায়রিবনি। য়াম্না ইকায়বা ৱানি, মী ওইনা ইকায়বা খঙনদ্রিবগী ওইগদৌরিবনি। লম্বীদা শিবা য়াওরিবসিসু ইকায়বা য়াবা ৱানি। গাড়ীদুনা খরা চাউবদা ওনশিন-ওনশিল্লগা শাওগৎনরগা শেল য়াম্না লৌনবা লৌ তৌনবসিনা হেন্না ইকায়নফম থোক্লিবনি। শিবসু শেল লৌরগা ইমুং-মনুং নুংঙাইজহৌরসনু খনবা য়াওখৎনরকপসু মাল্লক্লি। গাড়ী এক্সিদেন্টকী কেস তৌনদে, করিগী ওইফম থোকই, শেল পীরগা লৈরগা মী হাৎপা য়াবগী ৱাখল্লোন অমা য়াওনবগীনি হায়গনি। কোর্টতা ফজবসু লৈতে হায়বা য়াওনরিবনি, শিবনা মাঙজবা হায়বদু লাল্লগা শিবনা তোংজবা হায়বসু য়াওরক্লবনি। লাইফ ইন্সুরেন্স ফংনবা হোৎনবদা শিবগী মওং খরদি য়ানদবা য়াওরিবনি। ওইদ-পাদবা খরা তৌগনি খনবসি শিরবা মতুং ফাওবা তৌবা ঙম্নরবনি। শিরবা মতুংদা তৌবদি ফবু ফরে, মীনুংশি অমা য়াওনরে। শিবগী মাঙওইননা ওইদ-পাদ তৌবা তম্বীবদগী (খুন্নাইগী ওইনা) লম্বীদা শিবা-নাবা মশীং হেনগৎলকপা ওইগদৌরি। শুম্মাংদগী ঙংলগা থৌদোকখিববু মপাদুনা গাড়ী থৌবা হৈরে খঞ্জবগীরা মচাদুদা করিসু হায়দে, তেক্লবা মতমদা শাউবদগী লায়েংবা য়াওদে হায়বসু লৈরি। মপা মচা ওইবগী ৱাখলগী লম্বীদুনা ফৎত্রবদা লৈঙাক্কা মীয়ামগগী মরীসু ফগৎপা হৌনদে। লম্বীগী কোয়লা ফক্কৎপা য়াবসু য়াওরিবনি, লম্বী ফত্তবদা চৎপদি হৈবু হৈরে, মরন্নাই শেল পুথোক্লরগা লম্বী শেম্বগী ফিল্মসু উরে। লম্বী অফবদা চৎপা হৈতবদগী শিবা য়াওনরক্লিবা অসিনা করিগী ওইবা তারিবা? হিংবগী ফিল্ম কুমনীংদবা শিবগী ফিল্ম কুম্নরে।

নোরোক্কী লমদদি অমনা ঙাঙবা অমনা তানদে, অমগী থবক মতেং পাংনদে, অমগী পুন্সি অমনা কন্নদে হায়বনি। লম্বী ময়ায়দা ষণ কুনবা কনানসু তাম্থোক্নদে, গাড়ীনা হাৎপা ঙানুনা মমল য়াম্বা হেল্লি। শেল খরা হেন্না ফংলগা হরাউজবা লমদমনি, ইচা শিরবসু শেল ফংলগা লোইরে খনবা ৱাখল খূৎখনগী লম্বী অমদা লাকখ্রে। লম্বী অদুদা চৎপদসু ঙাইনা ঙাইনা চৎপদি ফবনি। ঙাইঙমদবা ওইরগনা ঈশৈ শকপা-শকপীশিংগী শেন্দান লম্বী পীবনি, হৈ-রা য়োনবশিংগী শেল মপান্দা থাদোকখিনবনি, ফি য়োল্লিবশিংগী শেল খোমগৎলিবনি।

ঙাইঙমদবদগী থৱায় থাদোকপা ঙম্নরক্লিবা ইশাসি ইফুরুপকী লননি হায়বসি ফাওবা কাউনরক্লি। ●

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### মতমগী চৎনবীসে খরদি হেনমল্লে

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ঐখোয় মীওইবনা লৈনরিবা য়ূমসি মন্দির অমগুম্বনি হায়না অহলশিংনা হায়নরম্মী। মসিদা নোংমগী ঐগী-ঐগী শিন্থা পাঙলুবগী ৱারুরবা হকচাংনা লৈগী শৈয়্যানি খন্দুনা থৱায় হকচাংনা মীকূপ খরদং পোথাজফম ওইজবনি হায়নৈ। অদুবু মীওইবা ঐখোয়সি অমগা অমগা শক-চু মান্নদবনা ৱাখল পুকচেলসু মান্নদে। ঐগী মীগী নাইবা খন্থবা ৱাৎলবা ৱাখলনা পুকচেল পিক্লা হিংনবসু কয়া কয়ানি। তৌবতবু অফবা থবক তৌরুরবসু, ফত্তববু তৌরুরবসু মীওইবা পুন্সিনা অরোইবা মতমদদি ঐখোয়বু শেম্বীরিবা মপুগী খুয়াদা নোংমা শোয়দনা থৱায় লৈরাং কেল্লুবা হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। অদুগা মীৎনা উবা ঈশ্বরনা ঐখোয়বু পোকপীরিবা ইমা ইপানি হায়নরি। অচৎ-চত্তা তাইবঙপালসিদা লৈরিবা মীওইবনা চাবা-থকপা থবক থৌরম কয়াদা মপুগী শিন্থানি খন্না মিংলেন শোন্না চৎলগা অৱাবা খুদোংথীবদগী খরদা ওইরবসু ঙাকপী হায়নরি। অদুগা ইমা হায়বা নুংশিরবা মিংলেনসু ঐখোয়না পুন্সিনা নুমিৎ তারমদাই, হকচাংনা তৌরাংথক্তা ওন্না হেদো নাহে চন্দুনা ফমশেন্নরবা, খাঙঙেনফম য়ৌরমদাই মীৎস্না তরং ঈহৌনা ইমা হায়না ৱানা শোল্লমদবা য়াওরমদবা নত্তে। অদুগা করিগুম্বা শোকপা, খুদি হেক থীবদা অয়ো ইমা হায়না হেক্তা খঙহৌদনা চীন্দা লাউথোকখি। মসিদা অয়ো পাবা হায়নদি মীপূম খুদিংনা খক পন্নরল্লোই। অদুনা ইমা হায়বা মিংখৈদি পুন্সিনা লৈরিঙৈ তানবা খক য়ারোই খঞ্জে।

অদুগা নাকল অমরোমদা, খুন্নাইসিদা ইমাগী মিংথোন ফংলক্নদৌরিবী নুপীশিংনসু মীনুংশি খঙবী, থৌজাল হৈবী, কৎথোকপা ঙম্বগী থম্মোয় পানবী, মগুন চেনবী ওইনা তঙাইফদবা অমা চঙই খঞ্জে। নাকল অমদনা ইমুং অমদা লৈমিন্নরিবা মকু-মনেম্না মচা মমৌশিংবু কয়াম্না নুংশিজবগে হায়বসি শাগৈগী মৌনি হায়না লাক্লিবশিংনা খঙবীদে। মসিদা অপোকপনা কনা, পোক্তবনা কনানো, ইচা-ইমৌবু ইচামক্লি খনবা ঙম্বা থম্মোয়দি ধর্ম্ম লৈবা ওইগনি খল্লি। ইচানা লৌবনি, ইচাগী ইচা চপ মান্নে খন্থনা পূক্লিং হরাওজবা কয়াসু য়াওনরি। অদুম্নদি ওইরগা মৌশিংগী মরক্তা পুকচেল শেংদবী থোয়চৎনবী, ফত্ত-ৱাখল চেনবী খরদি য়াওদবদি নত্তে। অহলশিংনা মখোয়বু মচাদৌনা লুনা চান্না তৌরগা থোয়চৎনবা ৱাখলনা মপাম লমদা তায়োন্নবা চীরোলনা ফত্তনা পাউদম্বসু লৈতবা নত্তে। মসিদা মচাখক্কী ৱারীনা অচুম্বনি খঞ্জবা অহলসু লৈরি। অদুবু অচুম অরান থিদবা অহলশিংগী অরানবা ওইগনি। অদুবু অশিংবা মনেম-মকু খরদি অফ-ফত্ত খঙনা, উনা, মিমাং থোক্তনা উৎ-ৱাইনা খুমদুনা থম্নবসু লৈরি।

অমরোমদা য়ূমগী মনেম ওইবী কয়াগী মরক্তসু মমৌবু মচানি খনবা ঙমজদবা, তাথীনা তৌবীবসু লৈরি। অদুগা মনেমলক্তা পুকতপ্পীসু অদুম য়াওদবদি নত্তে। মমৌবু য়ূম্বাল্লোন ইমুং-মনুংগী লোনচৎ খঙদবা তাকপী তম্বীদুনা মচাগুম লোয়নবসু লৈরি। অদুগা মনেম্না মমৌবু ফৈ-ফত্তে হায়দুনা ৱারী লীদুনা নোংমতা লৈকায় পল্লান্না অতোপ্পগী নাপ্পদা পাউদমদে হায়বসি লৈরিবা মৌশিংনা খঙবিদে, মমৌতবু মনেম্না ফৈ থাগৎপদনি, মসিমক্লা মনেম ওইবগী মগুন চেল্লি হায়নরিবনি।

খুন্নাই অমা শেম্বদা নুপীশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌনৈ হায়নরিবনি। তৌবতবু অফ-ফত্তগী লম্দসু নুপীশিংনা লংলা লংজিন ওইরি। ৱাখল থেনবী, পাঙ্গল শোনবী নুপীগী মপোকনি হায়নরবসু চেকশিনবা হায়বসিসু কাউদবা ফৈ। খোঙথাং খুদিং য়েক্লবা লৈ। নুপীগী পুন্সি তম্বা ঙমদে, লৈরাংগা পাংখক্লি। খোঙথাং অমা শোয়বদা, নোংলৈ অমা লাকপদা লৈনা হেক্তা কেনগদৌরিবনি। কল্লক-মীৎয়েংনা মীকূপ কাংদনা য়েংশিল্লি হায়নবসি মতমসিগী নুপীশিংনা খঙনা-উনা নাচুংনদে, ইশাখক্তগী ৱাখলনা জগোয় শানা শিন্থা পাংবদা নাইতোম তাবা কৈনা চাই হায়নবা ইপা-ইপুগী প্রমানদু কাউনরি। য়ারিমখৈ নাইতোম তাদনবা হোৎনবনা অৱাবা তারক্কদৌবা তানফমদা অনীশুবনা উকল খরদং ওইরবসু ফংগনি খঞ্জে।

ইরমদম লৈরাংশিংগী ফজরবা শক্তম, নুংশিরবা লৈনম্বু মতমগী চৎনবীনা তুংইন্না থমখিদুনা মীরমগী ফিজেৎ লৈতেংগী উহৈদ্রবা শক্তম্না ক্রাইম কয়া থোক্তুনা ঈংনা ফজরবা ইরমগী চৎনরোল মচেৎ মচেৎ মাঙলক্লি। অদুনা কল্লক মিহৌগী ওইদা চিরোলগী লাংদা লেপ্লে ঙাগুম থুহন্দুনা পুন্সিবু মোবাইলগী মচিঞ্জাক ওইহন্দুনা লৈখা তাহল্লোইসি। নুপী ওইবীশিংনা লমদমসিগী মমাগী শক্তমনি খন্দুনা চৎনবী খরদি ঙাক্তুনা কল্লক মিহৌ কয়াদগী, অপাইবা থৱায় ওইরক্কদবদগী কলহৌরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।